# সিন্ধুনা নুপীগী, শ্রীকান্টনা নুপাগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১৬ঃ

ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী অনীরক ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রবা পি ভি সিন্ধুনা মফম অসিদা চথরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী গেমসগী নুপীগী বেদমিন্টন সিঙ্গলস কম্পিটিসনদা চাইনিজ টাইপৈগী টাই টজু য়িংবু ষ্ট্রেট-গেমদা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী শটলর কিদম্বি শ্রীকান্টনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা নুপাগী বেদমিন্টনগী সিঙ্গলস কম্পিটিসনদা দেনমার্ককী জান ও জোর্গেন্সেনবু রাউন্দ ওফ সিক্সিটিন মেচতা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

মশাগী চহী ২১ শুরবী হায়দ্রবাদি অসিনা নিপানশুবা সীদ টাইবু ২১-১৩, ২১-১৫ দা মিনিট ৪০ চঙনা শান্নখিবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা মায়থীবা পীখি। মহাক্না মথংগী রাউন্দদা থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোন অমদি জপানগী অকানে য়ামাগুটি অনীগী মেচতা মায় পাক্লকপা অদুগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

সিন্ধুনা টাই টজুগা মায়য়োক্লদুনা শান্নখিবদা ২-৪ দা মায় পাক্পগী রেকোর্দ লৈরি। মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা দেনমার্ক ওপনদা টাই টজুনা সিন্ধুবু মায়থীবা পীরমখিবনি। অদুবু ঙরাংগী মেচ অদুগী অঙনবদা সিন্ধুনা ৩-১ দা মাঙজিল থানা চৎখি। অদুবু টাইনা নিংথিনা খুৎ হল্লকখিদুনা ৫-৫ দা চাং মান্ননা লৈখি। ইন্দিয়ন অসিনা ব্রিক ফাওবদা ১১-৬ তা মাঙজিল থাখি।

টাইনা কন্না হোৎনরকখিদুনা গেম অদু মাগী মায়কৈদা পুশিনখি অমদি ১০-১২ দা লৈহনখি অদুবু সিন্ধুগী হৈ-শিংবা অদুদা মহাক্না ইচঙ থৌবা ঙমখিদে। সিন্ধুনা নিংথিনা শান্নরক্লুনা গেম পোইন্ট অদু ২০-১৩ দা লৈখি অদুবু টাইবু নম্মৎলল্লগা ২১-১৩ দা মায় পাকখি।

অনীশুবা সেটতা সিন্ধুনা অমুক হন্না ৩-১ দা মাঙজিল থানা লৈখি অদুবু মহাক্কী বেকহেন্দদা শোয়বদগী পোইন্ট অনী ওপোনেন্টতা পীথোকখি। টাইনা মতিং থোক্না শান্নরকখিদুনা ফজরবা ড্রোপ খরা তৌখিদুনা ৬-৬ তা চাং মান্ননা লৈখি। অদুম ওইনমক টাইনা অনফোর্স ইরর খরা তৌখিবদগী সিন্ধুনা ১১-৬ তা অমুক হন্না মাঙজিল থাখি। টাইনা সিন্ধুদা প্রেসর পীননবা হোৎনরকখ্রবসু মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স উৎলকপা ঙমখিদবনা সিন্ধুন ১৪-৭ তা খুমাঙ চাউশিন্ননা লৈবা ঙমখি।

সিন্ধুদি মখা তানা অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা শান্নরকখি। চাইনিজ টাইপৈগী নুপীমচা অসিনা মহাক্কী শটুলবু কন্ট্রোল তৌবদা অৱাবা ওইখি অমদি ড্রোপশিং তৌখিবদা শোয়বদগী নেটতা পান্দুনা ফীভম শোক্না লৈখ্রবা মতুং সিন্ধুনা ১৯-১২ দা মাঙজিল থানা লৈখি। টাইসু মেচ পোইন্ট অহুম ফাওবদি সেভ তৌখ্রবসু কান্নবা ফংদনা সিন্ধুগী মখুৎতা মায়থীখি।

অমরোমদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপাগী রাউন্দ ওফ সিক্সটিনদা ইন্দিয়াগী শটুলর কিদম্বি শ্রীকান্টনা দেনমার্ককী জান ও জোর্গেন্সেনবু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

ৱর্ল্ডগী ১১শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা শ্রীকান্টনা ৱর্ল্ডগী মঙাশুবা মফমদা লৈরিবা জোর্গেন্সেনবু ২১-১৯, ২১-১৯ দা মিনিট ৪২ চঙনা রিও সেন্ট্রিওদা শান্নখিবা মেচ অদুদা মায়থীবা পীখি।

মসিগী মায় পাকখিবা অসিনা মশাগী চহী ২৩ শুরবা ইন্দিয়ন অসিনা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নগা মেচ মরি শান্নখিবদা অনীরকশুবা ওইনা মায় পাকপসু ওইখি।

অহানবা গেমদা শটুলর অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা অমনা অমগী মায়কৈদা এটেকশিং তৌনরকখি অদুবু শ্রীকান্টনা প্লে অদু ঈংনা শান্নখিদুনা মাঙজিল থানা চৎখি।

কুমজা ২০১৪ গী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট জোর্গেন্সেননা অকনবা শাফুশিং পীদুনা শান্নরকখ্রবসু মঙোন্দগী হেন্না মতীক মথৌনা লৈ হায়বদু গুন্টুরগী নুপামচা অসিনা উৎখিদুনা অহানবা গেম অদু ২১-১৯ দা মায় পাকখি।

অনীশুবা গেমদা দেনমার্কনা য়াম্না নিংথিনা শান্নরক্লুনা গেম অদুগী অহৌবদা মাঙজিল থানা চৎখি। অদুবু শ্রীকান্টনা মহাক্কী দিফেন্সতা হৈ-শিংবা অদুদা দেন অসিনা খুদোংচাবা লৌবা ঙমখিদে। ইন্দিয়ননা মশক থোক্না তকখৎলকখিবা প্লেদা ১৭-১৭ তা চাং মান্ননা লৈখ্রবা ইকুই কুইদনা পোইন্ট অমা লৌবা ঙমখিদুনা ১৯-১৮ দা লৈখিবা মতুং গেম অদুসু ২১-১৯ দা মায় পাক্লুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

ক্বার্টর ফাইনেলদা শ্রীকান্টনা অনীরক দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইবদা নত্তনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মঙারক ওইখ্রবা চিনাগী লিন দানগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

# এথলেট সরাবানি নন্দা, লালিটা বাবরনা মেদল লৌবা ঙমদনা গেমসতগী মপান থোকখ্রে




রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১৬ঃ

ইন্দিয়ন এথলেট সরাবানি নন্দানা মফম অসিদা চথরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ২০০ গী অহানবা রাউন্দদা ৫৫শুবা পোজিসন তাহৌদুনা সেমী ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমদনা লৈহৌরে।

সরাবানিনা মিটর ২০০ গী লমজেল অদুদা ২৩.৫৮ সেকেন্দ চেন্দুনা এথলেট ৭২ না শরুক য়াখিবা অহানবা রাউন্দ অদুদা ৫৫শুবা পোজিসন তাদুনা সেমী ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমদনা লৈহৌখি।

ওলেম্পিক ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা অদুদা কোটে দি আইভোরিগী মেরি-জেন্সি টালৌনা ২২.৩১ সেকেন্দ চেন্দুনা টোপ্পর ওইখি। ক্বালিফিকেসন রাউন্দ অদুদা অমেরিকাগী দিজহা ষ্টেভন্সননা ২২.৪৫ সেকেন্দ চেন্দুনা অনীশুবা তাখি। অদুগা কম্পেট্রোইট টোরি বোৱিনা ২২.৪৭ সেকেন্দ চেন্দুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী দিস্কস থ্রোৱর সীমা আন্টিলনা গ্রুপ বিগী ক্বালিফাইয়িং রাউন্দদা মাপনশুবা অদুগা ওভর ওলদা ২০শুবা তাহৌদুনা টুর্ণামেন্টতগী মপান থোকখ্রে।

কুমজা ২০১৪ গী ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসগী গোল্ড মেদলিষ্ট অসিগী মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা পার্ফোর্মেন্স ওইনা মিটর ৬২.৬২ লংদুনা মশক থোক্না লৈরিবনি। মহাক্না রিওগী অহানবা এটেম্পতা মিটর ৫৭.৫৮ খক্তমক লংবা ঙমখি। অদুবু অকনবা নোংচুখিবনা মরম ওইদুনা থেংনা শান্নখিবনা মহাক্কী পার্ফোর্মেন্সতা অহোংবা লৈখি।

মহাক্কী অনীশুবা এটেম্পতা ফাউল তাখি অমদি মহাক্কী অহুমশুবা অমদি অরোইবা এটেম্পতা মিটর ৫৬.৭৮ লংদুনা কুনশুবা মফমদা লৈখিবদগী গেমস অসিদগী মপান থোকখি।

ক্যুবাগী য়াইমে পেরেজনা মিটর ৬৫.৩৮ লংদুনা গ্রুপকী মকোক্তা লৈখি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী এথলেট রেঞ্জিট মহেশ্বারিসু মহাক্কী ইভেন্টকী অহানবা রাউন্দদা মায়থীদুনা মপান থোকখ্রবনি।

নুপীগী ষ্টেপলচেসর লালিটা বাবরনা মিটর ৩০০০ গী ইভেন্টকী ফাইনেলদা তরাশুবা তাহৌদুনা অরেম্বা তাহৌখি।

চহী ৩২ গী মতুংদা অহানবা ওইনা ওলেম্পিক্কী ফাইনেল চঙবা অহানবা ট্রেক এথলেট লালিটা বাবরনা ফাইনেলদা ৭:২২.৭৪ সেকেন্দ চেন্দুনা তরাশুবা পোজিসন তাহৌখি। মহাক্না নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা ৯:১৯.৭৬ সেকেন্দ চেন্দুনা অনৌবা নেসনেল মার্ক থমখিবদা নত্তনা মেদল রেসকীদমক ক্বালিফাইসু ওইখিবনি।

ইভেন্ট অদুগী গোল্ডনা বহরেনগী রুথ জেবেটনা ৮:৫৯.৭৫ সেকেন্দ চেন্দুনা লৌখি। বাবরনা তরাশুবা মফমদা লৈহৌরবসু পিটি উষানা কুমজা ১৯৮৪ গী লোস এঞ্জেলস ওলেম্পিক্সতা মিটর ৪০০ গী হর্দলসতা মরিশুবা পোজিসন তাখিবা অদুগী মতুংদা ইন্দিয়ন অমনা ট্রেক ইভেন্টতা খ্বাইদগী ফবা পার্ফোর্মেন্স পীবা ঙম্বা এথলেট অমা ওইবা ঙম্লে।

মশাগী চহী ২৭ শুরবা মহারাষ্ট্রগী সাট্রা দিষ্ট্রিক্টতগী হৌরকখিবী এথলেট অসিনা পি টি উষাগী মতুংদা চহী মরি মরি লৈরগা পাঙথোকপা শান্নবগী কুম্মৈ ওলেম্পিক্স গেমসগী ট্রেক ইভেন্টতা ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙম্বা অনীশুবা এথলেটসু ওইবা ঙমখি।

কুমজা ২০১৫ গী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী গোল্ড লৌখিবা কেনয়াগী হয়ভিন কিয়েং জেপ কোমোইনা ৯:০৭.১২ সেকেন্দ চেন্দুনা সিলভর মেদল অমদি অমেরিকাগী ইম্মা কোর্বুননা ৯:০৭.৬৩ সেকেন্দ চেন্দুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

অমরোমদা রেষ্টলর রভিন্দর ঘাট্রিনা মহাক্কী গ্রেকো-রোমানগী কেজি ৮৫ গী ক্লাসতা ওপনিং রাউন্দদা হঙ্গেরিগী ভিক্টর লোরিঞ্জগী মখুৎতা ০-৯ দা মায়থীহৌখি।

# এন্দি মরেনা সিঙ্গলসকী গোল্ড, নিশিকোরিনা ব্রোঞ্জ অমসুং বেথানি-জেকনা দবলসকী গোল্ড লৌখি






রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১৬ঃ

এন্দি মরেনা মফম অসিদা চথরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা নুপাগী টেনিসকী সিঙ্গলস ফাইনেলদা অর্জেন্টিনাগী জুঅন মার্টিন দেল পোট্রোবু ৭-৫, ৪-৬, ৬-২, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবগা লোয়ননা ওলেম্পিক্কী টেনিস সিঙ্গলসতা অনীরক গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্বা অহানবা প্লেয়র ওইখ্রে।

মরেনা কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সতা গোল্ড মেদল লৌখিবনি। মহাক্কী গ্রান্দ স্লাম কলেক্সন্দা কুমজা ২০১২ গী য়ু এস ওপন অমদি কুমজা ২০১৩ অমদি কুমজা ২০১৬ কী ৱিমল্লেদনগী টাইটলসু লৌখি।

রিওগী ফাইনেল অদু পুং মরি হেন্না চথুখিদুনা ওলেম্পিক্সকী খ্বাইদগী অফবা প্লে ওইখি অমদি অরোইবদা প্লেয়র অনীনা হরাউ মোমোন ফোঙদোক্লখি।

মরেনা এস ১০ অমদি ৱিন্নর ৪৬ কনখি অদুগা দেল পোট্রোনা ৱিন্নর ৩৯ কনখ্রবসু অনফোর্স ইরর ৫৭ তৌখিদুনা মায়থীবগী লম্বীদা চঙখি।

চহী মরিগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা লন্দন ওলেম্পিক্সতা দেল পোট্রোনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি। মরেনা কুমজা ২০১২ গী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট দেল পোট্রোগা ফাইনেলদা মায়োক্লখিবদা ৫-২ দা মায় পাক্না মাঙজিল থারিবনি। দেল পোট্রোনা মমাঙ চহীদা মহাক্কী খুদাংদা শোকখিবদগী শান্নবদগী পোথাদুনা লৈখি অমদি হন্দক্তা শান্নবা হৌরকখিবনি। মহাক্না রিও টেনিসকী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোভাক জোকোভিচপু মায়থীবা পীরমখ্রবা মতুং থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেলদা রফেল নদালবু মায়থীবা পীখিবনি।

অমরোমদা জপানগী কৈ নিশিকোরিনা মফম অসিদা চথরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা নুপা টেনিসকী ব্রোঞ্জ মেদলগী মেচতা স্পেনগী রফেল নাদলবু মায়থীবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবগা লোয়ননা চহী চাম্মগী মনুংদা জপানগী অহানবা ওইনা ওলেম্পিক টেনিসকী মেদল লৌবা ঙম্বসু ওইখ্রে।

নিশিকোরিনা ব্রোঞ্জ মেদলগী মেচ অদুদা রফেল নদালবু ৬-২, ৬-৭ (১/৭), ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা কুমজা ১৯২০ দা অন্টৱের্পনা জপানগীদমক নুপাগী সিঙ্গলসতা সিলভর অমদি নুপাগী দবলসতা সিলভর মেদল লৌখিবা অদুগী মতুংদা নিশিকোরিনা মেদল লৌবা ঙম্বা অহানবা জপানিজসু ওইখি।

নদালনা কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং ওলেম্পিক্সতা সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইখি। মশাগী চহী ৩০ শুরবা অসিনা অনীশুবা সেটতা নিংথিনা শান্নরকখিদুনা দিসাইদরদা পুশিনখি। স্পানিশ অসিনা মার্ক লোপেজগী জুরা শেমদুনা ইরাই নুমিৎতা নুপাগী দবলসতা শান্নখিদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবনি। অদুগা থাংজ নুমিৎতা পুং অহুম চুপ্পা শান্নখিবা সিঙ্গলসকী সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা ৱর্ল্ডগী রেঙ্ক ১৪১শুবা মফমদা লৈখিবা জুঅন মার্টিন দেল পোট্রোগী মখুৎতা মায়থীহৌখিবনি।

অমরোমদা ভেনস ৱিল্লিয়মসনা রজিভ রামগ জুরা শেমদুনা রিওগী মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা ফেল্লো অমেরিকানা বেতানি মাট্রেক-সেন্দস অমদি জেক সোক্কী মখুৎতা মায়থীহৌদুনা ওলেম্পিক্সকী মঙাশুবা গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্বা অহানবা টেনিস প্লেয়র ওইরমগদবা অদু শম্নাদা নাম্থোকখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা অমেরিকাগী বেথানি মাট্রেক-সেন্দস অমদি জেক সোকনা ভেনস ৱিল্লিয়মস অমদি রজিভ রামবু নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা মিক্স দবলসকী ফাইনেলদদা ৬-৭ (৩/৭), ৬-১, ১০-৭ তা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখি।

ভেনসনা কুমজা ২০০০ গী সিদনি ওলেম্পিক্সতা সিঙ্গলসকী গোল্ড মেদল লৌখি অমদি কুমজা ২০০০, ২০০৮ অমদি ২০১২ গী ওলেম্পিক্সতা মচননুপী সেরেনাগা পুল্লগা দবলসকী টাইটল লৌখি। মহাক্না মশাগী চহী ৩২ শুরবা রামগা অমুক্তা মমাঙদা জুরা শেমদুনা শান্নখিদ্রি। রিওদনা অহানবা জুা শেমদুনা শান্নবা ওইরি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা শান্নখিবা মিক্স দবলসকী ব্রোঞ্জ মেদল মেচতা চেক রিপব্লিক্কী লুসি হরাদেক্কা অমদি রাদেক ষ্টেপানেকনা ইন্দিয়াগী সানিয়া মিরজা অমদি রোহন বোপান্নাবু মিনিট ৭১ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ৬-১, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

# বিকাস কৃষন মায়থীদুনা গেমসতগী মপান থোকখ্রে



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১৬ঃ মমাঙগী এসিয়ন গেমসগী গোল্ড মেদলিষ্ট ভিকাস কৃষননা মফম অসিদা চথরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী নুপাগী বোক্সিংগী ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা অনীশুবা সীদ বেকটেমির মেলিকুজেভকী মখুৎতা মায়থীদুনা লৈহৌখিবগা লোয়ননা চহী নিপান অসিদা অহানবা ওইনা মেদল অমত্তা লৌবা ঙমদনা ইন্দিয়াগী বোক্সিংগী চেল্লেঞ্জ অদু লোইশিনখ্রে।

শিভা থাপা (কে জি ৫৬) অমদি মনোজ কুমার (কে জি ৬৪) না হান্ননা গেমস অসিদগী মপান থোকখ্রবনি। ভিকাসনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মায়থীদুনা লৈহৌখিবা অসিনা গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী চেল্লেঞ্জতসু লোইশিনখি।

ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সরশিংনা মেদল অমত্তা লৌবা ঙমদনা রিওদা লৈহৌখিবা অসিনা অনীরকশুবসু ওইখি। কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সর অমত্তনা মেদল লৌবা ঙমখিদে। ওলেম্পিক্স অদুদা নুপীগীদা মণিপুরগী এম সি মেরি কোম (কে জি ৫১) মতোমতনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখিবনি। ভিজেন্দর সিংহ (কে জি ৭৫) না ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙায়রবা ওলেম্পিক্কী মেদল লৌবা বোক্সর ওইরি। মহাক্না কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং গেমসদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা তরেৎশুবা সীদ ভিকাশনা ৱর্ল্ড নম্বর থ্রি অমদি ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী সিলভর মেদলিষ্ট অমদি হৌজিক এসিয়ন চেম্পিয়নশিপকী টাইটল পায়রিবা অসিনা য়াম্না লায়না ইন্দিয়াবু নম্মৎলমখি। অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়ন অসিনা এটেক তৌখ্রবসু মেলিকুজেভকী মশক থোক্লবা ওইগী পঞ্চনা থিন্দৎখিদুনা পোইন্টশিং লৌখি।

অনীশুবা রাউন্দদসু ইন্দিয়ন অসিনা ওপোনেন্টকী মায়কৈদা নিংথিনা শান্নবা ঙমখিদে। মেলিকুজেভনা বাউট অদুবু য়াম্না কন্ট্রোল তৌনা শান্নখিদুনা মহাক্কী য়েৎকী পঞ্চনা মনম-মনম থিঞ্জিনখিদুনা য়াম্না লাকচনা তৌখি। মহাক্কী শাফু কল্লবা পঞ্চতা ভিকাশকী ময়াদা উপ্পা গম শিল্ড অদু পাইথোকখি। মেলিকুজেভকী ওইগী হুকতা ভিকাশনা খাঙবা ঙমদনা লৈখি। জজনা মেলিকুজেভকী ফেভরদা লৈখিদুনা অনীশুবা রাউন্দ অদুদা পোইন্ট ১০-৮ পীখিদুনা মাঙজিল থাখি।

মমাঙগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ভিকাশনা নিংথিনা খুৎ হনবা ঙমখিদনা মেলিকুজেভকী মখুৎতা মায়থীখি।

# সানিয়া মিরজানা সিনসিনাটিদা তরেৎশুবা সীদেদ ওইখ্রে



ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ১৬ঃ

সানিয়া মিরজা অমদি মহাক্কী অনৌবা চেক্কী পার্টনর বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা য়ু এস ওপনগী মাঙওইননা পাঙথোক্কদবা টুর্ণামেন্ট অনীগী মনুংদা অমা ওইরিবা দব্লিয়ু টি এ ৱেষ্টর্ন এন্দ সাদর্ন ওপনদা তরেৎশুবা সীদেদ ওইখ্রে।

মসি সানিয়াগী ওইনা ওলেম্পিক্সকী হেক মতুংদা শান্নগদবা অহানবা মেচ ওইবদা নত্তনা ফেল্লো ৱর্ল্ড নম্বর ৱান মার্টিনা হিঙ্গিসকা লাপথোক্লরবা মতুংদা শান্নগদবা অহানবা টুর্ণামেন্টসু ওইরে। মার্টিনা হিঙ্গিসনা হৌজিক অমেরিকাগী কোকো ভান্দেৱেঘেগা পার্টনর শেমখ্রবনি।

সিঙ্গলসকী ৱর্ল্ড নম্বর ২০ শুবদা লৈরিবা সানিয়া অমদি ষ্ট্রাইকোভানা মখোয়গী কেম্পেনগী ওপনিং মেচতা ক্রোসিয়াগী দারিজা জুরাক অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী অনাষ্টাসিয়া রোদিওনোভাগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। সিঙ্গলসকী ৩৩শুবা মফমদা লৈরিবা হিঙ্গিস অমদি ভান্দেৱেঘেনা টুর্ণামেন্ট অসিদা মরিশুবা সীদেদ ওইখিবগা লোয়নন মখোয়গী অহানবা রাউন্দ বাই ফংখ্রে।

নুপাগী ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী রোহন বোপান্না অমদি মহাক্কী রোমানিয়াগী পার্টনর ফ্লোরিন মার্গিনা তরেৎশুবা সীদেদ ওইখ্রে অমদি মখোয় অনীগী অহানবা রাউন্দসু বাই ফংখ্রে। বোপান্নানা টুর্ণামেন্ট অসিদা শরুক য়াবা অমত্তা ঙায়রবা ইন্দিয়াগী নুপা প্লেয়র ওইরি।

# অথিংবা মায়োক্লরিবা মারিয়া শারাপোভানা মথং চহীগী জন্যুৱারীদা টেনিসকী কম্পিটিসনদা হল্লক্তুনা শান্নরগনি

ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ১৬ঃ

দোপিংগী মরালদা হৌখিবা জুন থাদগী হৌরগা চহী অনীগী অথিংবা থমখ্রবা গ্রান্দ স্লাম মঙারক ৱিন্নর ওইখ্রবা মারিয়া শারাপোভানা মথং চহীগী জন্যুৱারী থাদা টেনিসকী কম্পিটিসনদা হল্লক্লগনি হায়না রসিয়ন টেনিস ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট শামিল টারপিশচেভগী মতুং ইন্না রিপোর্ট তৌরক্লি।

টাস ন্যুজ এজেন্সিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা তৌরকখিবা রিপোর্টতা টারপিশচেভনা হায়খি, শারাপোভাগী লৈরিবা ৱাফম পুম্নমক সেপ্টেম্বরদা লৈখায় তারগনি। অদুবু অকক্লবা অমা হায়বদি ঙমদে, তৌবতবু মহাক্না অমুক হন্না জন্যুৱারী থাদগী শান্নবা হৌরগনি হায়না ঐনা খল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

মমাঙগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শারাপোভানা চৎলিবা চহী অসিগী জন্যুৱারী থাদা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন চথরিঙৈ মনুংদা মহাক্কী সেম্পল লৌদুনা টেষ্ট তৌবদা অথিংবা থমখ্রবা ড্রগ মেলদোনিয়ম পোজিটিব ওইরম্বদগী সস্পেন্দ তৌখি। মশাগী চহী ২৯ শুরবী অসি রসিয়াগী ওফিসল ওইনা রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়ানবা লিষ্টতা হাপখি অদুবু কোর্ট ওফ অর্বিট্রেসন ফোর স্পোর্ট (সি এ এস) না জুলাইদা পাঙথোক্কদবা মহাকপু অথীংবা থম্বগী আপিল অদু য়ৈথোক্তুনা সেপ্টেম্বর ১৯ দা পাঙথোক্লবা ৱারেপ লৌখি।



শারাপোভানা মহাকপু ইন্টরনেসনেল টেনিস ফেদরেসন (আই টি এফ) না সস্পেন্দ তৌখিবা অদুগী অচুম্বা ৱায়েল ফংনবা থিরিবনি।

শারাপোভাগী আপিল অদুবু য়ৈথোকখিবা অদু প্লেয়র মশামক অমদি আই টি এফনা মখোয় মখোয়গী মতীক চাবা খুদম চাংদমশিং পীখৎপদা মতম লৌগদবা অদু য়েংলগা লৌখিবা ৱারেপনি হায়না সি এ এসকী চেরোল অমনা হায়রি।

# দেভিদ রুদিশানা মহাক্কী ওলেম্পিক্কী টাইটল অমুক হন্না কনবা ঙমখ্রে

রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১৬ঃ

কেনয়াগী দেভিদ রুদিশানা মফম অসিদা পাঙথোক্লিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মিটর ৮০০ গী লমজেলদা গোল্ড মেদল লৌখিদুনা মহাক্কী ওলেম্পিক টাইটল অদু দিফেন্দ তৌবা ঙমখ্রে।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অমদি ৱর্ল্ড রেকোর্দ হোল্ডরসু ওইরিবা রুদিশানা সিজন অসিগী খ্বাইদগী ফবা ওইনা ১:৪২.১৫ সেকেন্দ চেন্দুনা চহী ৫২ গী মতুংদা মিটর ৮০০ গী টাইটল দিফেন্দ তৌবা ঙম্বা অহানবা মীওইসু ওইবা ঙমখি।




লমজেল অদু মায় পাকখ্রবা মতুং দেভিদ রুদিশানা হায়খি, ১:৪২.১৫ সেকেন্দদা চেনবা ঙমখিবসি খ্বাইদগী মশক থোকপা অমনি। টাইমিং অসিদা চেনখিবদা ঐনা চমম্লবা করিসু লৈখিদে। অসিগুম্বা খ্বাইদগী চাউবা কম্পিটিসন অমদা মায় পাক্তুনা ঐগী অনীশুবা গোল্ড লৌখিবা অসি চাউথোক-চনিংঙাইনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, ঐনা মায় পাকখিবদা চাউথোকচৈ। মসি ঐগী কেরিয়রগী খ্বাইদগী চাউবা মিংচৎনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মতম খরা শোক্তুনা লৈরুবা অদুগী মতাংদা হায়খি, মদু য়াম্না নুংঙাইখিদে। ঐহাক্না মতম পুম্নমক্তা অচুম্বা মায়কৈদা চৎননবা মিৎয়েং থল্লি। ঐগী কোচ অসি খ্বাইদগী ফবা অমদি মগুণ লৈবা মীওইনি। মহাক্না ঐবু মতম পুম্নমক্তা থৌগৎপী অমদি হোৎনহন্নিংবগী ঈথিলসু পী হায়না হায়খি।

হৌজিক ওলেম্পিক্কী মিটর ১৫০০ গী চেম্পিয়ন ওইরিবা অলজেরিয়াগী টৌফিক মাখলৌফিনা ১:৪২.৬১ সেকেন্দ চেন্দুনা নেসনেল রেকোর্দকা লোয়ননা সিলভর মেদল লৌখি। অমেরিকাগী ক্লেটন মর্ফিনা ফ্রেঞ্চকী মেদলগী আশা তৌখিবা পীয়র অম্ব্রোশ বোসপু নম্মৎলম্লগা ১:৪২.৯৩ সেকেন্দ চেন্দুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। লমজেল অদু হেক হৌখিবা রুদিশাগী টিম মেট অলফ্রেদ কিপকেটরনা মাঙজিল থানা মিটর ২০ মুক্তি ২৩.২ সেকেন্দদা চেনখি। অদুবু রুদিশানা অথুবদা মহাক্কী মমাঙ থানা চেনখৎতুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।